## মতম মতমগী ৱাফম

# শাফবা নোংথোম্বম মাইপাক

## মাইপাক সন ওফ মণিপুর

ঙরাং নহাল পংকুই কুইখিদ্রি ইকায়খুম্নজরিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী খোঙচৎ অমা ওইনা মিষ্টর ইন্দিয়া মিংথোল লৌখিবা নোংথোম্বম মাইপাক উন্নবীদুনা ৱারী ৱাতায় শানবীখিবগী পাউ অমখক তাজখিবদা ঐঙোন্দা নুংঙাইবা পোকচখি। মিষ্টর মাইপাক হেক পল্লকপদা খঙনিং নীংশিংলকই ঐখোয় ময়াম, নহা অহল অয়াম্বনা নুংশিনা কৌনবা মিঙ্গৌ তা -মাইপাকনি । তা মাইপাক কৌবদা মশানা শুংশাও শারোই ময়াম পূম্নমকপু মহাক্না নুংশিনা ওকপীগনি, মচাগুম্বা ঐখোয় ময়ামসে মরুপ মপাংগুম্না নুংশিনা লোয়নবিবনি । অহল ওইরে হায়বা ৱাহৈসি চহী য়ামলক্লবশিংগী মফমদা হায়বদা হায়হন্নিংদবনি। অহল ওইববু কনানা নুংঙাইগদগে । ঐখোয় ফাওবদা মীনা পাবুং কৌরকপা, খুরা কৌবা য়াওরক্লবনি। মতাংননি অঙাং ওইবদি য়াররোই। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা,অহিংদা উনখা তাখিবনা অয়ূক হৌগৎলকপদা ঈনা কূপ্পা য়ূমথকশিংদা ঙৌরোক ঙৌবা উনগী মপাক মপাক তারম্বা উখি। খুদেংদা ঈশিং হাপ্লগা মপান্দা থমলম্বদা খুদেংগী ঈশিং অদু অথাবা মিংশেলনা তাওরম্বগুম উন ওল্লবা ঈশিংনা তাওরম্বা উখি। তিংথৌ মতোন্দা লিক্লা তাবা খোঙনা থেংবদা খুদোন মতোনশিংনা ঈংমন্দুনা নাবা ফাওখি। লাঙ্গোল চীংদা শীং চনবা চৎখিবা, লম্ফেলদা ষন্থি খুল্লুবা, চখোং ফোয়রুবা হল্লকপদা তা-মাইপাক্কী য়ূম মপা য়ৌরকপদা অয়ূক্তা তা মাইপাক্লা নহারোল ময়ামগা লোয়ননা মহাক্কী য়ূমদা শাজেল তম্বীরুবগী থোক্লরকপা উবদা ঐখোয়না অঙাং ওইনা ঙাইহাক লেপ্লগা য়েংখিবা কয়া মিৎতা মথং মথং উরকই। নোংমা তা- মাইপাক্লা ফুরিৎ লৌথোক্লগা শীংজং অমা পায়রগা য়ূমগী শীং খায়রম্মী। মক্রক মক্রক লাওবা মাগী মসলশিংনা প্রিং প্রিং কাপখিবা ফজরবা শাবানদু উরুবদা শান্ননিংখি ।

তা-মাইপাক হকচাং শোঞ্জিল্লে, অহল ওইশিল্লক্লে হায়না ঐগী মরুপ অমনা ঙরাং নহানতা হায়রকখিবদুসু খঙনিং নীংশিংলকই। মহাক কমদৌরমগবা? মহৌশানা ৱাকচীং, ফাইরেল থা লাকপা মতমসি পূক্লিং য়াম্না নুংশিবা মতমসু ওই। নুংথিলগী মতম্নদি তেনবা, নুমিদাংনা শাংবা মতম্নি। নহাশিংদি তূম্বা নুংঙাইরমগনি। অহল ওইরবশিংদি তূম্বা য়াদদুনা নোং ঙানবা ঙাইবদা ৱানরিবনি। চন্দন চৱা লংত্রিক লংনা থিল্লগা ফি অমা ইল্লগা নুংশা য়াইদুনা ফমগনবা তা-মাইপাক মিৎতা উরকই। মতম অমা মহাক্লা স্পোর্টিস ডিপার্মেন্টতা থবক কারিঙৈ স্কুটর তোংলগা উরিপোক লম্বীদা চৎপদা মীনা য়েংনখিবনি। ঐখোয়নসু তা-মাইপাক্কীদমক চাউথোকচখি । চম্না লেনখিবা পূন্সিনি। হৌজিক্কী মতমদা ফংলিবা শান্নরোয়শিংগী খুদোংচাবা অমত্তা তা-মাইপাক্লা মহাক্কী মতমদা ফংজখিদে । কার তোংখিদে সাইকলদগী স্কুটর তোংবা ফাওবদংনি।

লৌবুকশিংদা ফৌ য়ৈবা লোইনখিদুনা ষন গাড়িদা ফৌবোৎ হাপতুনা লৌশান কানরকপা, ষন গাড়িদা চরু চিংখৎনরকপা ঐখোয়না তুমিন্না অমুক ষন গাড়িদগী চরু চিংথহৌরগা মৈ তিকখিবা মতমদু ঙরাংতা ওইরবোই নিংঙি। নীংশিংবা মরক্তা তা-মাইপাকপু নীংশিংলকই। ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুং হৌজিক লৈরিবা অসিদা উজাও পাম্বী অচৌবা অমা হৌরম্মী (খোংনাং ওইখিবা মাল্লি)। উজাও অদুগী মনাক নক্লা অচৌবা শঙ অমা লৈরম্মী। শঙ অদুগী ফক্লাং খরদি থোউনাউদু য়োৎকি জালিনা খাবগুম তৌই। অচৌবা শঙ অদুগী মনুংদা নুপা খরনা নুমিদাংৱাইরম উরি-ৱাওরিরকপা মতমদা শঙদুগী মনুংদা শাজেল তৌদুনা শান্নবা উখি। শান্নরিবদু ঐখোয় অঙাং খরনা মপানগী থোঙনাউ অদুদগী য়েংলুই। য়োৎচৈ মরেংবান দা হাপ্লগা নাকন্দা মী অমমম য়াল্লগা হৌগৎ ফমথা তৌবা য়াওই। মখল মখলগী শাজেন খরা তৌবা উখি । শান্নরিবা মওংদু ঐখোয়না ঙক্লা য়েংঙি। শান্নবা য়াওরিবা নহারোলশিং অসিদা খ্বাইদগী মশা ফবা অমা য়াওরিবসি মাইপাক কৌই হায়নৈ। শাজেল তৌরিবা নহাশিং ময়ামদা তাক্লিবসি মাইপাক হায়দুনি হায়না ঙাঙনখি। মতমদু ঐখোয় অঙাং ওইবনিনা তা-মাইপাক খঙদে। য়ূম কদায়দগীনো হায়বসু খঙখিদে,ময়াম্না শান্নরিবা শাজেলদু য়েংখি। শান্নবগী মওংদু উরগা য়ূমদা মতৌ তমদুনা শাজেল তৌবা অমুক তম্মী। ঐ ইশামক শাজেল তৌবা অঙাং ওইনা পামলকখি। ওজা নাইদনা খঙসু খঙদনা বার চিংবা, হৌগৎ ফমথা শান্নবা, থৌরি চোংবা, বুকতন ইনবা হায়দুনা (পুস অপ, পুস দাউন) শাজেল তৌরকই। পাম্বোম খজিক্তুংগা চাউরকপদা ইতোমতা নুংঙাইজদুনা মুকচখি। পূম্নমক তা-মাইপাক্লা শান্নবদু অঙাং ওইনা কাংজৈবুংগী মনীংদা লৈবা য়ূমদা শান্নবদু য়েংলুরগা ঐখোয়না অমুক মতৌ তমদুনা শান্নখিবনি। অঙাং ওইরিঙৈদা কাংজৈবুংসি য়াম্না থাপ্নি হায়না খল্লি। ইম্ফাল টকিজদা সিনেমা য়েংবা লাকপগী শো হৌদ্রিঙৈদা লম্পাক্তা ময়াম্না শান্নবা ঙাইহাক য়েংবা নোং ফাদোক য়াওখি অদুদা থেংনখিবনি। লাইশ্রম লৈরক্তা লৈবা খঙনজবা অহল লমনশিংনা হায়খিবদা তা-মাইপাক্লা শাজেল শান্নবদা শীজিন্নরিবা খুৎলাইশিং অসি টাটা গাড়িগী চাকা



মাইপাক সন ওফ মণিপুরগী সিন

স্পোকনি, ফৌ তক্লবা নুঙগী চক্রি, নুঙজাউ,গাড়িগী য়োৎ খরননি। চাবসু অতে চাদে মনা মশিং, চানা অহিংবা খরতনি ।চুম্মী, মতম অদুদা শাজেল শান্নবগী খুৎশু-খুৎলাই ফংনদ্রি, ফংলগসু লৈবা ঙম্নদ্রি। ঙসিগী অসুম্না অফবা জিমগী ইক্যুপমেন্টশিং, তাকপী-তম্বীনবা ইন্সত্রকটর লৈত্রিঙৈনি। চানবা চিঞ্জাকসু ঙসিগী অসুম্না ফংনদ্রিঙৈ তাঙনা থোক্লিঙৈদনি তা-মাইপাক্লা ইঙ্খোলদা ফংবা কোবি,হঙ্গাম চারগা শাফবা মিংথোল লৌরকখিবনি। খল্লুরগদি য়াম্না নুংশিনিংঙাই ওই। তা- মাইপাকপু ঐখোয়না অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎলোইদগী মরম লৈতে। হন্দক ইকায়খূম্নজরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী মপূ ওইবীরিবা চিফ মিনিষ্টরনা নীংশিংবীরকপসিমসু থাগৎফম থোকই।

তা-মাইপাক্লা হোৎনজরিবসি খঙবীখিবা মীশক অমখক্তি পঞ্জনিংঙি। করাম অমুমচা, ময়াম্না করাম মনমুহন হায়না খঙনখিবা অহল ইবুংঙো অসিনা **Mr.Universe Contest of the International Federation of Body Builders at Paris in September,1971** চাংদম্নবা য়াওরুবদা নোংথোম্বম মাইপাকনা মিষ্টর ইন্দিয়া টাইটল লৌরকপসিদা য়াম্না থাজদনা ডোকুমেন্টরি ফিল্ম (বাইওগ্রফিকেল ফিল্ম) অমা নম্বীরম্মী। ফিল্ম অসি ৩৫ এম এমদা নমখিবনি (৩৪০ ফুট) মিনট ১০ শাংই। মতমদু করামগী পাবুং মনমুহন্না মতমগী মণিপুর অসি পুথোক্লবা কন্না হোৎনরকখিবা মতমসু ওইখি। মহাক্কী বেন্নর কে টি ফিল্মস অসিগী মখাদা মাইপাক সন ওফ মণিপুর হায়না মিথোন্দনা ডোকুমেন্টরি ফিল্ম অসি পুথোকখিবনি। নোংথোম্বম মাইপাকনা মিষ্টর ইন্দিয়া টাইটল লৌদুনা হল্লকপা খোঙচৎ কোলকটাদা থেংনদুনা কোলকটাদা লৈদুনা অতেনবা মতম খরগী মনুংদা নমহৌখি। ফিল্ম অসি সঙ্কর বেনর্জিনা কেমেরামেন ওইরগা দেবকুমার বাসুনা ডিরেক্সন পীখি। ইংরাজি অমদি মণিপুরী অনীমক্তা নেরেসন ওজা অরাম্বম লোকেন্দ্রনা তৌবীখি। কুমশীং ১৯৭১ নবেম্বর তাং ৯দা ইম্ফালগী প্রতাপ সিনেমা হোলদা উৎখি লোয়ননা মতম অদুগী মণিপুরগী গভর্নর **D.R.Kohli** না **1st. Battalion, Manipur Rifles** কী ওডিটোরিয়মদা অমুক হন্না রিলিজ তৌবীখি। ওজা অরাম্বম লোকেন্দ্রনা মাইপাক সন ওফ মণিপুর ফিল্ম অসিগী অতেনবা সিনোপসিসতা অসুম্না হায়ঃ-

**" Shri Nongthombam Maipak Singh,I.F.B.B (International Federation of Body Builders), Mr.India,1970 while on way back to Imphal after having participated in the I.F. Mr Universe 1971 Contest held at Paris, stayed a few day at Calcutta. The film showed Shri Maipak Singh being garlanded at the Calcutta Airport by his admirers and fans...he was proud in fact of having introduced for the first time these dance poses (Manipuri folk and classical dance poses) in muscle display..."**

ডোকুমেন্টরি ফিল্ম অদুদা তা-মাইপাক্লা ইংরাজি মতেক মতেক ঙাঙই। কোট সুট টাই তৌদুনা এরেঞ্জ সোট তৌদুনা নমখিবা ফিল্ম অদুদা তা-মাইপাক তশেংনা হিরো অমগুম উখি। তশেংনমক মণিপুরগী অহানবা লিডিং রোল লৌখিবা হিরো হায়রগদি নোংথোম্বম মাইপাকনি হায়বদা কায়দে। য়েংবদা হিন্দি ফিল্মগী রাজেন্দ্রকুমার হাইরপ মাল্লি। করিগুম্বা বোম্বেদা পোক্লম্বা ওইরগদি তা-মাইপাক ফিল্মগী এক্টর ওইরমগনি। ইন্দিয়ান সিনেমাগী রমায়ন ফিল্মদা হনুমান শাখিবা, মখা তানা হিন্দি ফিল্ম কয়াগী করেক্টর রোল কয়া কূমখিবা রেসলর, দারাসিং, শান্নরোয় রেসল্লরদগী ফিল্ম কুমখিবনি। দারাসিংগা তা-মাইপাক্লা খেন্নবা করিসু লৈখিদে।

তা- মাইপাক্লা মিষ্টর ইন্দিয়া বেষ্ট পোজর তাখিবগী ফজবদি অতৈগী নত্তে। শাফবশিংনা ফ্রি ষ্টাইল পোজর, মাগী মাগী অপাম্বা ফজবা উৎনরকপদা তা-মাইপাক্লা ঐখোয়গী পোৎথোক মশকশিং উৎখি। খম্বগী পোজ, কৃষ্ণ-রাধাগী পোজ, তেন কাপ্পগী পোজ, তা লংবগী পোজ মখল মখাশিং শীজিন্নদুনা মসল পুথোক্লগা হকচাংগী ফজবা উৎখি। ৱাখল্লোন অসি মহাক্কী লন্নাইগী মীৎয়েংদগীনি। অপীকপা লমদম ওইজরবসু ঐখোয়গী লৈজরিবা চীংমী-তম্মীগী নাৎকী ওইবা মশকপু নীংশিংদুনা শীজিন্নখিবা ৱাখল্লোন অসি অৱাংবনি হায়দবা ঙম্লোই । মাইপাক সন ওফ মণিপুর ফিল্মদা তা-মাইপাক্লা মশানা ইংরাজিনা হায়খি- **I learn from Eigya Sunil** তা- মাইপাকপূ শাজেল তম্বীদুনা শাফবা ওইরক্লবা তাকপীরিবসি ঐগ্যা সুনিল কৌই হায়খি। ঐগা সুনিল কনানো মতাংসিদা মরুওইরকই। মহাভারত্তা কর্ণগী, আজ্জুর্নগী, এক্লব্যগী গুরু অমমম লৈবগুম, তা-মাইপাক্কীসু ওঝা লৈখি। তাকপী তম্বীবা ঙম্বা ওজা অমনা তাকপীদনা মথন্তা হৈরকপা হায়বসি লাই হাক্তুক্তগী তৌনরক্তে। তা-মাইপাক্লা মহাক্কী ওজা পল্লক্লিবসি অশেঙবা মহৈরোয় অমগী পূকচেল শেংবা অদু উৎপনি। ঙসি ফাওবা ঐগ্যা সুনিলগী মরমদা মী অয়াম্বনা পন্নবা তাখিদ্রি। শান্নবগী লমদা, মরুওইনা শাজেল কাংলোনগী মরমদা ঐগ্যা শিজগুরুময়ূম সুনিলনা লৌখিবা থৌদাং নীংশিংবা চুমগনি। ঐখোয়না তাজখিবদা, ঐগ্যা শিজগুরুময়ূম সুনিল অসি পুলিসনি,এক্টিব সার্ভিসতা লৈরম্মী। লাক্লু ফানবা, মন তৌবদা হৈ শিংই । মতম অমগী শাজেল কাংলোনগী মশক নাইখিবা মণিপুরগী শাজেলগী ওজা খুয়াথোংদা লৈবা শাগোলশেম ইন্দ্রমণিগী অচানবা মহৈরোয়নি। ঐগ্যা শিজগুরুময়ূম সুনিলসু য়ূম উরিপোক শামুশং উকু মনাক্তগীনি। হৌজিক্তি মশা লৈখিদ্রে। ঐগ্যা শুনিলনা উরিপোক কাংচুপ রোদ ফিজিকেল ক্লব হায়বা অমা লীংখৎখি। তা-মাইপাক্লা হকচাং ফবা হায়বসি পামজমনবদগী মফম অদুদা চৎতুনা ঐগ্যা শুনিলদা খুরুমজদুনা ৱেট লিফটিং শান্নবা হৌখিবদগী মথং মথং শাজেল তম্বা হৌরকখি।

নহা ওইরিঙৈদগী তা- মাইপাক চাবসু ফৈ হায়। খ্বাইদগী হাওনা অমদি পামজনা চাবসি কোবি, হঙ্গাম, পেরুক মনা অমদি মনা মশিং হিংনা চাবা অসিনি। চুম্নগী মনা অমা অনী চাবদু নত্তে, মপুল মপুল খুবাম খুবাম চাবনি। ইমুং মনুং শেন-থুম পায়দুনা হাওনা চারকপা পূন্সি ওইরকখিদে অদুনা অচম্বা চিঞ্জাক্তা অফংবা চাদুনা শান্নবা হৌরকখি। চাবদা চিলহাউ থিরক্তবা, মনা-মশিং চারকপা অসিনা মহাক্কী শান্নবগী শাংলবা লম্বীদা কান্নবা য়াম্না ফংবা ঙমখি। চাবগী মতাংদা নুংঙাইরবা ৱারী অমসু লৈখি। অঙাং ওইরিঙৈদা পোকমিন্নবা ময়ামবা অহলগা লোয়ননা লম্ফেলগী ষনখাঙ হায়না খঙনবা ঈশিং খোংগী মপাল অমদা ঙাপ্রুম ফামিন্নখি। ফারকপা ঙাপ্রুমদু হিংনা হিংনা থৎতুনা চাবা, ঙাপ্রুমগী ঈ চুপ্লগা থক্লুবদগী ঈ শাগৎলক্তুনা কোক ঙাওদুনা ৱানা খাঙখি । ঙাপ্রুমগী ঈ থক্লুবগী মরমদি হকচাং ফৈ হায়না হায়নবা তাবদগী হকচাং কন্নীংবদগী চারুবনি। অতোপ্পা নুংঙাই ৱারী অমনা কুমশীং ১৯৭৫দা এল গৌড়মণি উরিপোক্তা লৈবনা লুচিংদুনা কোলকটাদা ভেটেরানগী শান্নরোয় অমা ওইনা চৎপদা কোলকটাগী হাওরা থোং মনাক্তা লৈবা হোটেল অমদা তল মশীং ৭৫ লেপ্তুনা চারুবদা হোটেল মপুনা ঙক্তুনা কনানো হংলকপদা, শান্নরোয়নি, শান্নবা লাকপনি হায়রুবদগী পৈশা তঞ্খায় তাবীরকপগী ৱারীসু লৈখি। ওজা মাইপাক্লা কন্না শান্নবা হৌরকপদা, মহাক মথন্তনা চেঙ কে.জি. অমা মখায়দগী তাদনা চাক নুংতিগী চায়। মাশা ফনবা অশেংবা নুংশিৎ ফংনবা হায়দুনা উরিপোক কাংচুপ চীংদা মতম খরা লৈদুনা শাজেল তৌখি। মহাকপু নুংশিবীবা তাঞ্জুল মরুপ, অলেং শিমরৈ কৌবা অমনা উখুলদা মতম খরা থম্বীদুনা শা-ঙানচিংবা পীজ-পীথক তৌদুনা হকচাং থাকপদা মতেং পাংবীখি। অসুম্না হোৎনখিবা কয়া অসিনা কুমশীং ১৯৭১দা পেরিসতা পাঙথোকপা মিষ্টর য়ুনিভর্স কন্টেষ্টতা **10th world best body** তাখি। কুমশীং ১৯৭৩দা লেমজনফম ওইরবা মিষ্টর ইন্দিয়া হায়বা টাইটল অসি মৈতৈ মচা অমা ওইনা ইহান হান্না ফংবা ঙমখি। নোংথোম্বম তা-মাইপাক, ময়ামগীনা ওঝা মাইপাক হৌজিক মশাগী চহী ৮৫ শুরে। তাইবং মপুগী কূম্হৈ য়াওমিন্নরি। মতম অমগী মমল য়াল্লবা শাফবনি। হৌজিক মতমদা ওইরবদি সনাগী মথক্তা তম্ফা ইল্লগনি। ✌

*-মাখোনমনি মোংসাবা*

---

ৱারী ককনাউ

# শাদোকপম শামু

*ঐনা* তৌরিবা থবকসি মহাত্মা গান্ধীনগদি য়াম্না শাউদৌজাৎনি। ঐনা হাৎলিবা থৱায়সি মশীং থিরুরদি ফনা য়াম্মনি। ঐসি পাপিগী মরক্তা, মহা পাপি হায়দু ওইরবনি। অদুবু ঐনা তূম্মমদাইদা হেক-হেক লাইদা খুরুমজে, ঐনা তৌজরিসে নুপী-অঙাং থাকপা ঙম্নবা তৌজরিবনি, ঐবু ঙাকপীয়ু হায়না। খঙদে লাইনা তাবীরমগদ্রা, তাবীরম্মোইদ্রা। থাঙদি থৌহন্দবা য়াদে, অদুনা চিন হেক শেংবগা ঐগী ইথৌসি - থাঙ ফেংবা, হাৎপা, তুপ্পা, ককপগী থবকনি তৌরিসে।

হন্দক মরক মশক খঙদবা শানা য়ূমদা য়োকপা ঙানু, য়েন মপৈ-মপৈ হাৎলগা মবুক হোগাইরগা চাথোক্লম্মে হায়বসি অচৌবা পাউ অমা ওইরে। লৈঙাক্লসু মপান্দগী অখঙ-অহৈশিং চেন্থোক্তুনা করম্বা শানো হায়না থিগৎনবগী থবক কন্না লৌখৎলি। ওইরক্লিবা কয়াসিদা ময়ামসি কিনবা অমসু য়াওনরে। অয়ূক য়াহৌ ঙল্লম্বশিং থেংলপ-থেংলপ হৌগৎনরে। শা থেংনবা য়াই হায়না কিদুনা। নুমিদাং অমম-অথেংদা পংথোক থোক্লদ্রে। য়ূম খুদিংমক অঙাংসু-নুবীসু খূৎলায় মতিক চানা থম্নরে। চৈদগী চিংলগা থাঙশাং, থাঙজৌ, থাঙপাক মখূৎ চাবা খূৎলায়শিং ফেং ফেংদনা লোইনমক থৌরাং তৌদুনা লৈনরে।

“ইবাই, ঙানুসি হৌজিক কয়াদা থারি?” শাদোকপম শামুনা ঐগী দুকান্দা নহান লাক্লগা হংলবনি।

“দ্রেসতা লুপা ৪৮০/-, দ্রেস নত্তবদা লুপা ২৫০/-”

“অদুদি ঐ লুপা ২০০/-দা থাগে লৌগেরা?” ঐ মীৎ-না খংশিং শিংই। মরমদি শা কক্লগা শেন্দোং তাল্লিবা ঐনা হোঙনা পীগে হায়রকপদুদি মীৎ শিংহৌদ্রদি ঐ মাঙলোইদ্রো?

“য়াইনে লৌগেনে, কেজি কয়া তাবনো?”

“ঙানু, য়েন খরা লোইরি, কেজি ২ তাবা, কেজি ২ মখায় তাবা য়াওরে পুরকউরা?”

“নঙনা হেক পুরক্লিখৈ লৌগে”

“অদুদি এদভান্স ওইনা লুপা ৫০০/- হান্না পীয়ু, হয়েং অয়ূক পুরক্কে।”

ঐ পীসিরা, পীরোইসিরা খল্লি, হোয়দহে, মানা হোঙনা পীরদি ঐ কান্নদৌরিসিবু, মশক খঙদবসু নত্তে, পীরগা লোইরে হায়দুনা ফুরিৎখাওদগী লুপা ৫০০ পীরগা,

“ঙসি পুরকপা য়ারোইদ্রো?”

“ঙসিদি ইপোক নুমিৎনি নুংঙাইতে, হয়েং অয়ূক পুরক্কে”

“হোয় হোয়” শাদোকপম শামু চৎখ্রে।

নোং ঙানবগা বোরা খাও অমদা ঙানু ৫নি মানা পুরকপা। বোরা মচিন হাইদোক্লগা য়েংলুববু ঙানুদু, “বাক-বাক-বাক...” লাউনা চিনপাকপীশিংদু কনবীনবা খোংলকই। ঐনবু খল্লি, “ফজরেদা খাগী ঙানুশিংসে”, ঐনা চাউরাক্লা ফলাদা থাঙ্গৎলি। ঙানুদু তশেংবগীদি কেজি ১৪ খরা হেন্না তাবনি। অদুবু শামুনা মমায় লৈথোকখ্রিঙৈদা সৎ থাংথরগা “কেজি ১১.৫০ তারে” থোক হায়জিল্লি। ঐসু ব্যুজিনেস তৌরিনি কৈনো, খরা হায়জিন্দবা য়াব্রো? মাসু মরৈ তৌরক্তে। “য়ারেনে ইবাই” হায়। ঐনা লুপা ২০০গী দোরদা পারগা পীফম থোকপা পীখ্রে। ঙানুশিংদু ঙাইহাক পোখাফম মকোন্দুদা মসা অনীদু শুপ্লাই পায়শিন্দুনা লংশিল্লি। ঙানুশিংদু হরাউদনা মসা খপ-খপ্তুনা থম্মীবা ঈশিংদু থকচৈ। মোইগী মতম ঙাইদুনা হরাউনা থারিবা মচিঞ্জাক্তু চারি। শামুনা হায়রম্মী, “ইবাই হয়েংসু পুরক্কে”। অসুম্না নুংতিগী ঙানু ৩ পুরকপা, ৪ পুরকপা, য়েন ৫/৬ হেক পুরকপসি নুমিৎ ১০নিমুকসি শুংলেপ হেক লেপ্তুনা পুরকপনি। ঐসু ফনা ওইজরে । তরামাথোইনিশুবা নুমিৎতুদদি শামু লাক্ত্রে। পোৎ পুরক্ত্রে। ঐনা মদুই অঙাংদু কৈদৌরবনো খল্লি। ঙাইহাক লৈরগদি মী ৭/৮ ইশৌ হায়রপ লাংবা মান্না ঐগী দুকান্দা মরী-মরী চঙলকই,

“কেজি কয়া লৌগদবনো?” ঐনা হংলুই।

“শামুনা সিদা ঙানু, য়েন পুরকপরা?” নুপা অমনা শাউরপনা হংলকই,

“ঙসিদি পুরক্তে, মা লাক্তে”

“পুরক্লোই, মা শিনিংচিত্তা হিংহৌরে, মা ঙরাং অহিং য়েঙ্গোন্দা চঙলকপদা অমম্বদুদা শা ওইরবোই নীংদুনা নোংমৈনা কাপ্পদা মফৈগন্দা পাল্লে।” শা ওইরমদ্রে শাদোকপম শামু ওইনা ফারে।

“ঐদি মাগী পীফম থোকপা শেল পীরগা লৈবনি, মাগী ময়ূমদা লোইবনি হায়রম্মী”

“কৈসু কায়দে, চুম্রা হায়না হংবা লাকপনি” মীশিংদু অদুম চৎখ্রে।

ঐ খলহৌই, “শাদোকপম শামুনা শা শারম্বদগী ময়াম চঙদুনা ফারবা”।

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

---

# পূকচেল শেংবগী থৌশিল অমা শেমগৎলু

*ঐখোয়না* লৈরিবসি তৌনি হায়রগা তৌদবনা নন্নবা তাইবঙ অমদনি। ঐখোয় হৌজিক মীওইবনা মশানা হায়দোকখিবা ৱাবু লুনা লৌনরক্তুবা মতম অমদা হিংলিবনি। মরুপ থেংনবদা হেক্তা হায়খিনি মথংগী চয়োলদা মহাক্না পূন্না চাক চরা অমা চামিন্নসি হায়দনা। সোমদা মতম শুকশং শংদে, চামিন্নবা ঙম্লোই হায়বদি খঙলিবনি। থবক তৌমিন্নবা অমদা ইবানিনা পামজবা লাইরিক হায়বদু ঐনা মথংদদি শুকশোয় শোয়দনা পুরক্কে হেক্তা হায়রমগনি, তৌবদবু ঐ ইশাদি মীঙোন্দা লাইরিক শুকপী পীথোক্তে হায়বদি ইশানা খঙজরিবনি। হন্দক্কী চহী অসিদগীদি পুন্সি অসি মওং-মরীল তানা হিংলগে, নাইহল্লগে, হেন্না হরাউ-তয়াম্না হিংনবা হোৎনরগে কা হায়বা ৱারেপকা লৌগনি, অদুবু অসিগুম্বা পান দমশিং ফংনবা পুরকফম থোকপা অহোংবশিং অদুদি পুন্সিদা পুরক্লবদি ঐখোয়না খক হোৎনরুদে।

তৌসু তৌরোইদবশিং তৌনি অসুম হায়বগী থবকসি কুইনা তৌরকপদগী ঐখোয়গী হৈনবী ওনখরে। লুরিবা ৱাদি হায়দোকখিবা ৱাবু ঙাক্লক্তবদগী মীনা ইশাবু থাজবা হন্থরকই। মীনা থাজবা মাঙশিল্লকপদগী, নঙোন্দা থম্বা থাজবগী মরী অদু লৈশিল্লক্তে। অদুগা থাজবগী মরী কায়থরকপনা মমৈদদি লৈনবা মরী কায়রক্লবগী মরম ওইরকই।

পূকচেল শেংবগী থৌশিল অমা শাগৎনবগীদমক চয়োল অমগী মনুংদা ওইরোইদবা কয়া নহাক্লা ঙাঙখিবগে হায়বদু য়েংশিনবা হৌরো। ঐনা ‘অচুম্বগী ৱত’ হায়না কৌজবা অদুগুম্বা ৱাশক থম্বগী থবক অদু লাক্লিবা নুমিৎ তরেৎনিসি চুপ্পা চৎথবিরো অদুগা মী অতৈগা, ইশামক্লা লৈনরিবা মরী পূম্নমক্তা অশেংবা অচুম্বা অদুখক্তা য়ূম্ফম ওইরগা থবক চত্থগনি হায়বগী ৱাশক অমা লৌবিরো। অচুম্বা তৌদবা খুদিংগী অরানবগী মৈচাক ফবা হেনগৎহল্লি। অচুম্বা ঙাঙদবা খুদিংগী, অরানবগী হৈনবীদা মৈচাক ফবা হেলহল্লি। মী অমদা করিগুম্বা অমা তৌগনি হায়খ্রবদি মদু তৌরো। হায়খ্রবদি শোয়দবা মী হায়বদু ওইরো, ‘ৱাদমক ঙাঙবা খূৎতি য়াওদবা’ হায়বা মীওইদু ওইবা পান্নুরনু। মাদর টেরেসানা হায়খিবদুনি, “ৱা য়াম্না ঙাঙনবা কান্নদে; ধর্ম্মগী পাউতাক পীফম্না মীতিনফম ওইবা য়াদে। অদুনদি করিদি তৌবা তাই? শুমজিৎ অমা পায়খৎলো অদুগা কনাগুম্বগী ময়ূমদা চত্তুনা অমোৎ-অকায় শীৎপীরুরো। মদুদা হায়গদবা পূম্নমক হায়রবনি।”।

*(বি এস রাজকুমারনা মীতৈলোন্দা হন্দোকপা রোবিন শর্মাগী লাইরিক ‘নহাক্লা শিরগা কনানা কপহৌগনি?’ হায়বদুদগী লৌখৎচবা)*

---

# ওজা জুগোল

*কেরদনা*, মঙক পৈরপ-পৈরপ, লৈরপ-লৈরপ চঙলকই ক্লাস রুমদা। মহৈরোয়শিং লেপখৎলি। ফম্মু-ফম্মু। য়াম্না নুংশিবা ৱাহৈনি। কুমজা ১৯৭২গী নাঞ্জখ্রবা মতমদুগী ওজানি। চোংঙা মরুমগী পারবা রুবিয়া ফুরিৎ, ইষ্টি নান্না তক্লবা পাম্বোম ককপী, ঙৌরুনবা মচুগী খোঙগ্রাউ পকচখ্রবা, শউন শেন্দল লংত্রিক লংনা কাপ থাদুনা তোংলিবা, মমীবু হেক তাই। নোংমতা চমোৎ-চদাইননা লাক্তে। কিলোমিটর ৮ হেনবগী লমশাংনি ওজাগী য়ূম, ৱাঙুদগী কুম্বী হায় স্কুল তান্না সাইকল থৌদুনা লাক্লিবনি। মায়থোংদা নোংমতসু অৱাবা, নুংঙাইতবগী মমি তাবসু উখিদে। নোকমি-নোকমিবতা তৌবা মায়থোংদুনা ওজাগী মতিক ময়াই মহৈরোয়শিংদা তাখিবা ঙাক্তনি।

মখূৎ ওইনা দষ্টর, য়েৎনা চোক মশাং অমা, ফজনা ই ব্লেকবোর্দতা ওনশিল্লগা ‘এন ইনে ট্রাডোক্তরি ইংলিস গ্রামার’ ৱাহৈ পরেং অসি ইরল্লগা মহৈরোয় ঐখোয়রোমদা ওন্থোরক্তুনা হায়রকই - লাইরিক তাকত্রিঙৈ মমাঙদা লাইরিক্কী মমিংসি নীংথিজনা খঙবা অমা চঙই। সিনেমা, দ্রামা য়েংবা মতমদা মমিং খঙহৌদনা য়েংবা নুংঙাইতবনি। লাইরিক মমিংসি ফজনা খঙলগা মনুংগী পাড়াশিং নৈনবা য়াম্না থুনা অমসুং লায়না খঙবা ঙমগনি কো।

ঐখোয়গী ক্লাস অসিদা তম্মিন্নরিবা-তম্মিন্নরিবী নখোয় নশেলগী মীং ফজনা খঙনবা হায়বসি নুংশিনবগী লংলা অমনা পুল্লবনিকো। নখোয় পূম্বনা ওজাবুদি মীং, লৈফম খঙই। অদুগা ওজানদি নখোয় পূম্বগী মীং লৈফম খঙদে। মসি ওজা ঐগী অশোনবনি। ওজা অমনা মাগী তল্লিবা ক্লাস অদুগী মহৈরোয় খুদিংগী লৈফম্মক কাউখ্রবসু মীংদি লোইনা খঙগদবনি। চিনফা পুনবা হোৎনগদবনি। মসি ওজা অমা ওইবগী মতিক ময়াইনি, অফবা ওজানি। ঐসু নখোয় ময়ামগী মীং, লৈফম লোইনা খঙনবা হোৎনরি কো। য়ানীংব্রা, য়ানীংঙু। নোকফেৎ তৌনা ফরে সে, লাইরিক্তা মায়মুক ওনশিল্লসিকো।

ওজানা পাড়া তক্লগে। মুন্না তারো। মখা চৈখৈ। তপ্পা-ঈংনা ঙাঙজবা, কেজবা ওজা জুগোলনি।

ওজানবু পাড়া তাকখ্রবা লাংবা সিমদি লৈত্রে। খঙদবা য়াওদ্রে। খরা খিত্তং খঙহৌদবা য়াওরবসু হংবা ইকায়দে। মপাগা মচাগা লোয়নবগুম লোয়নজবা ওজানি। কিসু কিবা, নুংসু নুংশিবা অশেংবা ওজানি।

মখূৎ অনী লোংলপ হাইগৎলগা শ্বরনা ফু-ফু চোক পায়রিবা মখূৎতা কামদুনা মোমোন্তা তৌদুনা ইজবা, তাকচবা ওজা জুগোলনি। লাইরিকপু য়াম্না চমোৎ-চদাইননা পায়বা ওজানা পান্নমদে। মহৈরোয়শিংনা য়ুনিফোর্ম মশা নান্না শেৎপদু থাগৎলম্মী। খুদাংদা শীরিবা য়োৎকী মরী পানবা ঘড়ীদু য়েংলগা, বেলসু তাদৌরে অদুনা ঙসিগীদি শ্বাইদা লোইশিল্লসিকো।

ওজানা তাক্লিঙৈ পূক্লিং চঙনা তাবা হায়বসি নখোয়গীদি খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি। ওজানা তাকপদা ঙসাইমখৈ নখোয়সু তাবদা চোকথরল্লনি, ৱারল্লনি। ৱাবা মাল্লিকো সোরোজিনি, চন্দ্রকালা, মেম্মা, নীংঙোল্লেমা। হা হায়য়ুদনা শ্যামকিশ্বর।

ঐসু তপ্লপ লেপখৎলগা, ৱাদেদা ওজা য়াম্না নুংঙাই। নুপী মহৈরোয়শিংদি নোক্লি ঐগী ইতৌদুদা।

ফরে অদুদি, ওজানা নোক্লপ মখা তারকই - নখোয়বু কনা কনা মোমোন নোকপা হৈজরগে।

ওজাগী ৱাহৈদুদা কা মনুংদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং তুমিন-তুমিন য়েংনৈ। চেক মোক লাউনদে।

কনানো অমত্তং লেপখৎলগা মোমোন নোকউনে। মোমোন মীনোক খঙদ্রা। নোকমি-নোকমি ওজানা কোয়না লৈদুনা য়েংই। ওজাগী হন্দক্কী ৱাহৈদুদা মচিন মেল্ল-মেল্লদুনা ঐখোয় মশেল য়েংনা-য়েংনদুনা মখোল হৌদনা নোকনৈ।

সে-সে ওজানা হায়রিসি অশেংবনি। কনানোমা লেপখৎলোনে, হৈত্রবা অমত্তা। শ্যামকিশ্বর নঙ লেপখৎলু।

তপ্পা-তপ্পা লেপখৎলি।

ময়াম মমাঙসিদা মোমোন মীনোক অমুক্তা নোকথোকউসে।

ঐনা ইমান্নবা-ইমান্নবীশিং অদুদা লৈনা-লৈনা মিৎচিনা য়েংল-য়েংলদুনা নোকফেৎ-নোকফেৎ তৌদুনা লৈ। ওজা জুগোলসু নোকফেৎ-নোকফেৎ ঐঙোন্দা য়েংদুনা লৈ। ঙাইহাক লৈরগা ঐনা ওজা মোমোন নোকপা হৈতেয়ে।

ওজানা হাইরকই - ঙসাইমখৈ নঙনা নোক্লিবদু মোমোন মীনোকনি, অসুক হৈরিদুদি।

ময়ামদু ৱা লাউনা নোকই। পূমনিল নিল্লি। পূক্লি পায়নবা য়াওই।

ওজা জুগোল নোকফেৎ-নোকফেৎ ব্লেকবোর্দতা ওনশিল্লগা ইরিবশিং অদু শেংপক শেংনা মুখৎলি।

বেল তাদুনা কাং-কাং য়ৈরকই।

পুং তারে, হয়েং মখা তাক্লসিকো। লাউনা নোক্লনু থংনবা কাদা ওজা লৈরি হায়রল্লগা মোমোন মোমোন নোক্তুনা ওজা জুগোল ক্লাস রুমদগী মোং হাদনা মপান থোকখি। খাম্বা য়াদনা হৌনা ঐখোয় ময়াম নোকহৌই। য়াক্লা কন্না। নীংশিংলকপদা ওজা জুগোল নুংশিরকই, কুইরে মাদি তাইবঙ শেম্বা মপূগী নাক্তা লৈখিবা।

*- খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*